# পেনাল্টি শুটআউটতা অর্সনেলনা লিবরপুল মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর য়ৌখ্রে, ব্রেন্টফোর্দ অমসুং ষ্টোক সিটিসু ক্বার্টর চঙখ্রে



লন্দন, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী): অর্সনেলনা লিবরপুলবু পেনাল্টি শুটআউটতা ৫-৪দা মায়থীবা পীদুনা লীগ কপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। ব্রেন্টফোর্দনা ফুলহাম থোইদুনা অদুগা ষ্টোক সিটিনা এষ্টোন ভিলা থোইরগা মখোয়সু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা প্রেমিয়র লীগকী চেম্পিয়ন লিবরপুল অমসুং অর্সনেল লম্বা তৌনখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু টিম অনীম্মক লম্বা মান্ননা শান্নখিবা মরম্না মেচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোয়শিন ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখিবদগী পেলাল্টি শুটআউটতা মায়পাকপা টিম মশক খঙদোক্নবা হোৎনরকখি।

শুটআউট অদু লিবরপুলনা হান্না হৌখি। টিম অদুগী জেমস মিলনর পাঞ্জল চনখি। অর্সনেলগীনা অলেকজেন্দর লকাজেটনা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অনীশুবা লিবরপুলগী কিক অদু জোর্জিনিও ৱিজনালদমনা পাঞ্জল ওন্থোকখি। অর্সনেলগীসু সেদ্রিক সাওরেজনা চনবা ঙমখি।

টাকুমি মিনামিনোনা লিবরপুলগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুবু অর্সনেলগী মুহম্মদ এলনেনিদি পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদে। ২-৩দা লৈখি। নাকল অমরোমদা লিবরপুলগী দিবোক ওরিজিগী কিক অদু অর্সনেলগী গোলকিপর বর্ন্দ লিনোনা ঙাকথোকপা ঙমখি। স্কোর ৩-৩দা লৈখি। মরীশুবা কিকশিং অদু নাকল অনীমক্তগী পাঞ্জল ওইহনবা ঙমখি। লিবরপুলগীনা কর্টিস জোন্স অমসুং অর্সনেলগীনা নিকোলাস পেপেনি।

লিবরপুলগী হেরি ৱিলসনগী পেনাল্টি কিক অদু অমুক্কা অর্সনেলগী কিপর বর্ন্দ লিনোনা ঙাকথোকখি। অদুগা টিম অদুগী মঙাশুবা কিক অদু জোসেপ ৱিলোকনা পাঞ্জল ওন্থোকখিবদগী মেচ অদু মখোয়না ৫-৪দা থোইরগা দিসম্বর থাদা শান্নগদৌরিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ব্রেন্টফোর্দনা ফুলহামবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখি। হৌরকপদা টিম অনীনা মায়পাক্নবা পুশিন্নখিবা বোলশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্নখিদে।

মেচকী ৩৭শুবা মিনটতা ব্রেন্টফোর্দকী মায়কৈদগী সমান ঘোদোসনা পীরকখিবা বোল অমা মিমেট মার্কস ফোর্সনা পাঞ্জল চন্দুনা ফুলহামবু মখোয়না ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। পাঞ্জল অমা শোথরবা ফুলহামগী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী মিনট খর লেমখিবা অদুদা ফনা কন্না হোৎনখ্রবসু ইক্বেলাইজর অদু ফংদদুনা হাফ অদু লোয়শিনখি।

পাঞ্জল হেন্দুনা লৈখ্রবা ব্রেন্টফোর্দকী শান্নরোয়শিংগী ৱাখলদা অহেনবা থাজবগা লোয়ননা শান্নবা ঙল্লকখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা ইথন পিনোকনা পীরকখিবা য়াম্না ফজবা বোল অমদা টিমমেট সেদ বেনরামানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেচ অদু মায়পাকপগী লম্বেলদা পুশিনবা হৌখি।

ব্রেন্টফোর্দ কুম্যুনিতি ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুগী য়ুম্বু ক্লব অদুগী দিফেন্দরশিংনা ফুলহামগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা এটেক্তশিং অদু অরেম্বা তাহন্দুনা মখোয়না মাংজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকহন্দনা শান্নবা ঙমখি।

মেচকী ৭৭শুবা মিনটতা সেদ বেনরামানা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমখি। মদুদনা খৃষ্টিয়ান নিওর্গাদনা পীরকপ বোলদগী । ফুলহামগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমফাওবা হন্দাকপা ঙমখিদবদগী ব্রেন্টফোর্দনা ৩-০দা থোইদুনা ক্বার্টরদা ন্যু কাষ্টল য়ুনাইটেদকা শান্নরগনি।

ঙরাং ষ্টেক সিটি অমসুং এষ্টোন ভিলাগী লম্বা অদু অহানবা হাফকী ২৬শুবা মিনটতা ষ্টোক সিটিগী মায়কৈদগী জোর্দান থোমসননা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট সাম ভোক্সনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-০দা হেন্দুনা লৈখিবা অদুনা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইবা পাঞ্জল ওইখি। ক্বার্টরদা হোটস্পরগা লম্বা তৌনরগনি।

# ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়া অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী থিয়ম ৪শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে





পেরিস, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী): ফ্রেঞ্চ ওপন ২০২০গী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা য়ূম্বু লৈবাক অসিগী শান্নরোয় কেরোলিন গার্সিয়া অমসুং নুপাগী কাঙলূপ্তা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়ম মখোয়-মখোয়গী অহুমশুবা রাউন্দ মেচ মায় পাক্তুনা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

কেরোলিন গার্সিয়ানা ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী ১৬শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সকা অহুমশুবা রাউন্দ লম্বা তৌনখিবনি। অহানবা সেট অদুদা এলিজ মার্টেন্সনা মহাক্কী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌখিদুনা ৬-১দা কোম্না থোইখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা মার্টেন্সকী সর্ভিস গেম অমা গার্সিয়ানা মতাং মতম চানা ব্রেক তৌখিদুনা ৬-৪দা থোইরগা সেট অমমম্ মান্নখি।

অহুমশুবা সেটতা শান্নরোয় অনী গেম ১০ লোইবা ফাওবা গেম ৫-৫ থোইদুনা লৈখি। অদুবু গার্সিয়ানা থংনবা গেম অনী থোইবা ঙমদুনা সেট অদু ৭-৫দা থোইদুনা মরিশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মনা নোরৱেগী ২৮শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা কাস্পর রুদকা লম্বা তৌনবনি। অহানবা সেট থিয়মগী মশানদা রুদনা লম্বা পীবা ঙল্লবসু সর্ভিস ব্রেক অমা ফংখিদুনা ৬-৪দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতসু থিয়মনা রুদকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইখি। অদুগা অহুমশুবা সেটতা থিয়মনা ফজবা হেঞ্জিল্লকপদগী রুদকী সর্ভিস গেম অনী অমুক্তসু ব্রেক তৌদুনা ৬-১দা থোইরগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি। থিয়মনা মরিশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী শান্নরোয় ঐচগাষ্টোন অমদি স্বিজরলেন্দগী শান্নরোয় ষ্টান ৱারিনকা অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা য়ু এস এগী শান্নরোয় সেবেসিয়ন কোর্দানা স্পেনগী শান্নরোয় পেদ্রো মার্টিনেজকা অহুমশুবা রাউন্দ লম্বা তৌনরকপদা ষ্ট্রেট সেট অহুমদা মায় পাক্তুনা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। অহানবা সেটতা কোর্দানা মার্টিনেজকী সর্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইখি।

অনীশুবা সেটসু কোর্দাগী মায়কৈদগী ফজবা হেনখি। মার্টিনেজকী মায়কৈদগী মমাংগী সেট শান্নখিবা অদুগী ফীভমদগী হেনগৎপা ঙমদনা ৬-৩দা কোর্দানা থোইখি। অহুমশুবা সেটসু ৬-১দা থোইদুনা মরিশুবা রাউন্দদা নদাল অমদি ট্রাবাগ্লিয়াগী অথোইবগা থেংনরগনি।

# বর্সেলোনানা সেল্টা ভিগোবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা মেচ অনী থংন-থংননা মায় পাক্তুনা পোইন্ট তরুক ফংবা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী): স্পেনগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালীগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদা বর্সেলোনা সেল্টা ভিগোবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিদা মেচ অনী থংন-থংননা মায় পাক্তুনা পোইন্ট তরুক ফংবা ঙমখ্রে।

সেল্টা ভিগোনা য়ূম্বু ওইদুনা শান্নখিবা মেচ অদু হৌরকপদা বর্সেলোনানা ঙন্না এটেক চথবা ঙমখি। শুপ্নগী ১১শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী ফিলিপ কোটিনোনা পীরকপা বোল অমদা অন্সু ফাটিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। সেল্টা ভিগো টিম অসি লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা হান্না মেচ অহুম শান্নখিবদা অমা মায় পাক্লগা মেচ অনী দ্রো চৎতুনা পূন্না পোইন্ট মঙা ফংদুনা ১১শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা বর্সেলোনাদি থা অসিগী ২৮দা অহানবা মেচ শান্নরবা মতুং ঙরাং অনীশুবা মেচ শান্নবদা ঙাইরি।

বর্সেলোনানা মখোয়গী অহানবা মেচতা ভিলারিএলবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইদুনা মখোয়গী মায়কৈদগী লালীগাগী অনৌবা সিজন অসিদা ফজবা ঙমখি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী অহানবা হাফতা বর্সেলোনানা চনখিবা পাঞ্জল অদুগী মতুং তারকপদা টিম অদুনা সেল্টা ভিগোগী মায়কৈদা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা লৈখি। অমরোমদা সেল্টা ভিগোগী মায়কৈদগীসু ইক্বেলাইজর ফংদনা মিনট ৪৫গী শান্নখিবা অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা বর্সেলোনাগী এটেক কনখি। মখোয়না পুশিল্লকপা বোল অমদা পাঞ্জল চনবা য়াবগী ফীভম অদু ঙাকথোক্নবা হোৎনখিবা সেল্টা ভিগোগী দিফেন্দর লুকাস ওলাজাদগী শোয়দুনা থৎচিনখিবদা মশাগী গোল মনুংদা চঙখিদুনা বর্সেলোনাগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ওইহনখি।

মখা তারকপা মেচ অদুগী পুংখায় হেল্লবা ফাওবদা স্কোর বোর্দতা লৈখিবা পাঞ্জল অদু হোংবা ঙমখিদে। অদুবু মেচকী অরোইবা মিনটতা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী সর্গি রোবর্টোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু মখোয়না সেল্টা ভিগোবু ৩-০দা থোইখি। লীগ অসিদা টিম মরিনা পোইন্ট ৭/৭ ফংমিন্নদুনা লৈরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Getafe | 3 | 2 | 1 | 0 | 4 | 0 | 4 | 7 |
| 2 | Valencia | 4 | 2 | 1 | 1 | 7 | 5 | 2 | 7 |
| 3 | Real Madrid | 3 | 2 | 1 | 0 | 4 | 2 | 2 | 7 |
| 4 | Villarreal | 4 | 2 | 1 | 1 | 6 | 7 | -1 | 7 |
| 5 | Barcelona | 2 | 2 | 0 | 0 | 7 | 0 | 7 | 6 |
| 6 | Sevilla | 2 | 2 | 0 | 0 | 4 | 1 | 3 | 6 |
| 7 | Real Betis | 4 | 2 | 0 | 2 | 5 | 6 | -1 | 6 |
| 8 | Cadiz | 4 | 2 | 0 | 2 | 4 | 5 | -1 | 6 |
| 9 | Granada | 3 | 2 | 0 | 1 | 5 | 7 | -2 | 6 |
| 10 | Real Sociedad | 4 | 1 | 2 | 1 | 4 | 2 | 2 | 5 |
| 11 | Celta Vigo | 4 | 1 | 2 | 1 | 3 | 5 | -2 | 5 |
| 12 | Atletico Madrid | 2 | 1 | 1 | 0 | 6 | 1 | 5 | 4 |
| 13 | Levante | 3 | 1 | 0 | 2 | 5 | 6 | -1 | 3 |
| 14 | Osasuna | 3 | 1 | 0 | 2 | 3 | 4 | -1 | 3 |
| 15 | Athletic Bilbao | 3 | 1 | 0 | 2 | 2 | 4 | -2 | 3 |
| 16 | SD Huesca | 4 | 0 | 3 | 1 | 2 | 4 | -2 | 3 |
| 17 | Elche | 2 | 1 | 0 | 1 | 1 | 3 | -2 | 3 |
| 18 | Real Valladolid | 4 | 0 | 2 | 2 | 2 | 5 | -3 | 2 |
| 19 | Eibar | 4 | 0 | 1 | 3 | 2 | 5 | -3 | 1 |
| 20 | Deportivo Alaves | 4 | 0 | 1 | 3 | 2 | 6 | -4 | 1 |

# আই পি এলগী ১৪শুবা মেচতা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা চেন্নাই সুপর কিংসপু রন ৭তা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে



দুবাই, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি দুবাইদা লৈবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ১৪শুবা মেচতা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা চেন্নাই সুপর কিংসপু রন ৭তা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী টোস সনরাইজর্স হায়দরবাদনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৬৪ লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী হৌরকপা ফীভম শোকখি। অহানবা ওভরদা ওপনর জোনি বার্ষ্টো রন অমত্তা লৌরমদনা আউট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা মনিশ পান্দে অমসুং অতোপ্পা ওপনর দেবিদ ৱার্নরনা ইন্নিংস শেমগৎলকখি। মদুদা মখোয় অনীনা রন ৪৬ হাপচিনখি। পান্দে বোল ২১দা রন ২৯ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক আউট ওইখ্রবা মতুং ওভর অহুম লৈরগা দেবিদ ৱার্নরসু রন ২৮ লৌরম্লগা আউট ওইখি। ৱিলিয়মসন অমসুং প্রিয়াম গর্গনা ইন্নিংস মখা তানা শেমগৎলকপদা ৱিলিয়মসন রন ৯দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা অভিসেক শর্মা অমসুং গর্গনা মঙাশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপ অদুদা ফজরকপা ঙমখি। মখোয় অনীনা পূন্না রন ৭৭ হাপচিন্দুনা অপুনবা স্কোর অদু ১৪৬ য়ৌহনখি। অভিসেক রন ৩১দা আউট ওইখ্রবা মতুং মখা তানা টিম অদুগী রন ১৬৪দগী হেনবা ঙমদনা লোইশিনখি। গর্গ আউট ওইদনা রন ৫১ লৌখি।

মায় পাক্নবা চেন্নাই সুপর কিংসনা রন ১৬৫গী টার্গেট লৈগদবা অদু ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৫৭ খক লৌখিবদগী মখোয় রন ৭তা মায়থীবা নংখিবনি।

চেন্নাই সুপর কিংসকী ইন্নিংস অদু হৌরকপদা ফীভম শোকখি। ওপনর সেন ৱেটসন শুপ্নগী রন ১দা আউট ওইখি। মখা তারকপা বেটচমেন অম্বাটি রায়ুদু অমসুং ওপনর প্লেসিসকী পার্টনরশিপ অদুসু শুপ্নগী রন ২২ খক ওইখি। তরুকশুবা ওভরদা রায়ুদু রন ৮দা আউট ওইখি। হায়রিবা ওভর অদুমক্তা প্লেসিসসু রন ২২ লৌরম্লগা আউট তাখি।

স্কোর বোর্দতা রন ৩৬ লৈরিঙৈদা বেটচমেন ৩ আউট ওইখিবনি। অনৌবা বেটচমেন কেদর য়াদব রন ৩দা আউট ওইখি। রবিন্দ্র জাদেজা অমসুং ধোনিনা ইন্নিংস অদু খরা শেমগৎলকখি। মখোয় অনীনা রন ৭২গী পার্টনরশিপ অমা মঙাশুবা ৱিকেটকীদমক শেমখি। অদুবু জাদেজা রন ৫০দা আউট ওইখ্রবা মতুং ধোনি অমসুং সাম কুরন মায় পাক্নবা হোৎনরকপা অদু য়ৌগদবা রন ৭ ৱাৎলিঙৈদা ইন্নিংস লোইশিনখিবনি। ধোনি রন ৪৭ অমসুং কুরন ১৫ লৌখি। হয়েং বেঙ্গলোর অমসুং রাজস্থান শান্নগদৌরি।

# লৈচেষ্টর সিটিনা ফোফানা সাইন তৌখ্রে, ৱেষ্টহেমনা ৱ্লাদিমির কোফাল লৌশিনখ্রে





লন্দন, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মরুওইবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা লৈচেষ্টর সিটিনা ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লব সেন্ট ইটেনদগী ৱেস্লি ফোফানা চহী ৫গী কন্ট্রেক্ট সাইন তৌনখ্রে। অমরোমদা লীগ অসিগী অতোপ্পা ক্লব ৱেষ্টহেম য়ুনাইটেদনা জেক রিপব্লিককী ফুটবোল ক্লব স্লাভিয়া প্রাগকী শান্নরোয় ৱ্লাদিমির কোফাল ২০২৩ ফাওবগী ওইনা লৌশিনখ্রে।

লৈচেষ্টর সিটিনা চহী ১৯দা ঙাইরিবা ৱেস্লি ফোফানাবু শেল কয়াদা লৈবনো হায়বদুদি ফোঙদোরক্ত্রি। অদুবু বৃটিশ মীদিয়ানা পীরকপা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কন্ট্রেক্ট অদু য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৩৮.৭৫দা য়ানখিবনি হায়রি।

ফোফানানা ফোঙদোরকখিবদা, লৈচেষ্টর সিটিনা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী টাইটল ফংখিবা মতম অদুদগী হৌরগা কুপ্না মখোয়না শান্নবা মেচশিং অদু য়েংদুনা লাকখি। হৌজিক-হৌজিক লৈচেষ্টর সিটি ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী অহৌবা মেচ অহুম্মক মায় পাক্তুনা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

ফ্রান্সকী ক্লব সেন্ট ইটেনদা শরুক য়ারম্বা মতম অদুদা ফোফানানা মেচ ৩০ শান্নবা ঙমখি। মহাক্না শান্নরিঙৈ মতম মমাংগী সিজনদা সেন্ট ইটেনকু দিফ্রান্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল ফাওবা য়ৌদুনা পেরিস সেন্টজর্মেনগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীহৌখিবনি।

ৱেষ্টহেম য়ুনাইটেদনা মশাগী চহী ২৮ শুরবা জেক রিপব্লিককী ক্লব স্লাভিয়া প্রাগতগী য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৬.৫দা কোফালবু কুমজা ২০২৩ ফাওবা শান্নবা কন্ট্রেক্ট ইনখিবনি।

# টৌকিও ওলিম্পিক্সতা মেদল অমা ফংদবা য়াদবনি : মোনিকা

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২১গী জুলাই থাদা য়ৈথোরকখ্রবা টৌকিও ওলিম্পিক্স গেমসতা মেদল অমা শুংশোয় শোয়দনা ফংদবা য়াদবনি হায়না ইন্দিয়াগী নুপীগী হোকি টিমগী মিদ ফিল্ডর মোনিকানা ফোঙদোরকখ্রে।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চহী অসিগী মার্চ থাদগী হৌরগা শান্নবগী হীরম পূম্মক থা ৫ রোম লেপ্পুরবা মতুং হোকিগী শান্নরোয়শিং অসিসু কুইদ্রিঙৈদগী ট্রেনিং চথবা হৌরকপনি। লোকদাউন মনুংদা ফিল্ডদা থোক্তুনা শান্নবা নৎত্রগা প্রেক্টিস তৌবা য়াদবা মরম্না অপনবা কয়া লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি অথিংবা লৌথোকখ্রবা মতুং হান্নগী পাঙ্গল অদু য়ৌরক্নবা কোচ অমদি অতোপ্পা সপোর্ট ষ্টাফশিংগা লোয়ননা ট্রেনিং মনুংদা কন্না হোৎনরি হায়খি।

ইন্দিয়াগী ওইনা ইন্টরনেসনল মেচ ১৫০ রোম শান্নবা ঙমখ্রবী মোনিকানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চহী খরা অসিদা ইন্দিয়াগী টিমনা টুর্নামেন্ট কয়াদা ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীদুনা লাকখি। কুমজা ২০১৯দা জপানগী হিরোসিমা সিটিদা পাঙথোকখিবা ৱিমেন্স সেরিজ ফাইনেলস অদুদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা সিলভর মেদল ফংখি। স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমদি হোকি ইন্দিয়ানা শান্নরোয়শিংবু চেকশিন্না য়েংশিনবীবগা লোয়ননা কেম্পতা হোৎনবা য়াবা হোৎনদুনা টৌকিও ওলিম্পিক্স গেমসতা মেদল অমা ফংননবা মায় ওনশিল্লি হায়খি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম টি-২০গী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা খ্বাইদগী নৌনা ফোঙদোরকখিবা নুপীগী ক্রিকেটকী টি-২০ ফোর্মেটতা মকোক-মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী টিম অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিমনা মমাংদা মরিশুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ন্যু জিলেন্দদগী হাইগৎলগা অহুমশুবা পোজিসনদা য়ৌরকপা ঙমখিবনি। ফোর্মেট অসিগী ওইনা ওষ্ট্রেলিয়ানা অহানবা পোজিসনদা লৈরগা ইংলেন্দনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। ওষ্ট্রেলিয়ানা পূন্না পোইন্ট ২৯১ ফংলগা ইংলেন্দনা ২৮০ ফংখিবনি। অদুগা ইন্দিয়ানা ২৭০ ফংখি।

ৱান দে রেঙ্কিংগী ওইনা ইন্দিয়াগী টিম অসি অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। ওষ্ট্রেলিয়ানা নম্বর ৱানদা অদুম্মক লৈবা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা পূন্না পোইন্ট ১৬০ ফংবদা ইন্দিয়ানা শুপ্নগী ১২১ খক ফংলিবনি। ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন তরুক্লক ওইবা ঙল্লবা ওষ্ট্রেলিয়ানা হৌখিবা ৱান দে মেচ ২১ শান্নবদা ২০ মায় পাকপা ঙমখি। টিম অদুনা মমাংগী সিজনদা সেরিজ অহুম শান্নবদা মায় পাকপা ঙমখি।

ৱান দে ইন্টরনেসনলগী ওইনা সাউথ অফ্রিকানা পোইন্ট ১০৪ ফংলগা মরিশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি। ন্যু জিলেন্দনা পোইন্ট ৯৪ ফংলগা মঙাশুবদা, ৱেষ্টইন্দিজনা ৮৫ ফংলগা তরুকশুবদা, পাকিষ্টাননা ৭৭ ফংলগা তরেৎশুবা, বাংলাদেশনা পোইন্ট ৬১দা মাপনশুবদা লৈরি। অদুগা শ্রিলঙ্কানা পোইন্ট ৪৭ ফংলগা তরাশুবা পোজিসন কল্লি।

# ইম্ফাল ইষ্টকী ট্রান্সফর

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মখাদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংগী শান্নরোয় ট্রান্সফর অমসুং লোনগী থবক থৌরমশিং মখা চথরি।

ঙসি এসোসিএসন অসিগী মখাদা লৈবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা এন ঈ এস য়ুগী শান্নরোয় তোকপম সনাজাওবনা নেরোকা এফ সীদা লাক্নবা চে থাজিল্লকখিবনি। মহাক থারগা ঙসি ফাওবদা ক্লব অসিগী ওইনা পূন্না শান্নরোয় ৫৩ শুখ্রে হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. মোইরাংথেম মনিমোহোননা ফোঙদোরক্লি।

# ফিফানা সাউথ অমেরিকা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়রগীদমক শান্নরোয়শিং রিলিজ তৌনবগী কন্দিসন শেমখ্রে

জুরিক, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী): ফুটবোল মশান্নগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ফিফানা সাউথ অমেরিকাগী লৈবাকশিংগী ওইবা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়র টুর্নামেন্টশিংগী মেচশিং মথংগী চয়োলদগী হৌগদৌরিবা অসিগী মতাংদা অতোপ্পা তোঙান-তোঙানবা মালেমগী মমিং লৈরবা ক্লবশিংদা শান্নরিবা শান্নরোয়শিং রিলিজ তৌনবগী কাঙলোনশিং শেমখ্রে।

স্পেনগী বর্সেলোনাদা শান্নরিবা লিওনেল মেসি অমসুং ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনদা শান্নরিবা নেমারবু মখোয়-মখোয়গী লৈবাকশিংনা কৌখৎলকখ্রবনি। মখোয়দা নৎতনা অতোপ্পা সাউথ অমেরিকাগী ফুটবোল শান্নরোয় কয়া অমসু মীরমদা শান্নরিবনি।

মমাংগী থাদা সাউথ অমেরিকান ফুটবোল কনফিদরেসননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়র মেচশিং অদু ওক্টোবর থাদা ফিফাগী অয়াবা য়াওরগা হৌগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। সাউথ অমেরিকাদা কোভিদ-১৯ নাবগী মশীং হেনগৎলক্লি।

ফিফানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না শান্নরোয়শিংগী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা থল্লোইদবনি। লোয়ননা ক্বারন্টিনগী অথিংবসু লৈরোইদবনি। করিগুম্বা মখোয়না মেচ শান্নগদৌরিবা মফম অদুদা চৎনরিবা কাঙলোনশিং অদু ক্বারন্টিনগী মতম নুমীৎ ৫নিদগী হেল্লবদি মখোয়গী ক্লবশিং অদুনা শান্নরোয়শিং অদু থাদোক্তনবা হায়খি।




HL-B/6409/27th Sept. to 26th Oct.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com